লায়না লাক্তনবা মকোন লূ-নান্না থম্বীবা

ডো: সরাংথেম জেসমারানি

শা-ষণ, য়েন-ঙানু য়োকপীরিবা খুদিংমক্না লায়না চেলহন্দনা শেন্দোং লৈনা য়োকপীগে হায়রগদি মখোয়না লৈগদৌরিবা মকোনশিংদু লূ-নান্না থম্বীবা হায়বসিনি। শা-ষণ, য়েন-ঙানুশিংনা লৈগদৌরিবা মকোনশিংদু লূ-নান্না থম্লগদি লায়না চেলহন্দনা পোখেক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি।

মকোন লূ-নান্না পায়খৎপা য়াবশিংদি ঃ

(ক) লৈফম নিংথিনা শেংদোকপীবা
(খ) চপ চানা দ্রেনেজ থম্বীবা
(গ) নিংথিনা মকোন মনুংদা মৈ থানবীবা
(ঘ) নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবা
(ঙ) অনাবা লৌহন্দনবা হোৎনবীবা

ক) মকোন নিংথিনা শেংদোকপীবা ঃ

শা-ষণনা লৈরিবা মকোন্দু লুম্না থম্নবগীদমক চরু শীজিন্নবা য়াই। মসি নুমিৎ খুদিংগী নুংশাদা ফৌদোক্তুনা কংহল্লবা মতুংদা অমুক মকোন্দা থম্বীগনি। মচিঙ্গাক অমদি ঈশিং পীথক্লবা পাত্র খুদিংমক নুংমিৎ খুদিংগী ঈশিংদা চামথোকপীরগা কংনা নুংশাদা ফৌদোকপীরগা শীজিন্নবীগনি। মকোন মনুংদা লেংদনা লৈরিবা মচিঙ্গাক্কী পাত্র অমদি থক্লবা থল্লিবা ঈশিংগী পাত্র খুদিংমক শেংদোক্লবা মতুংদা অনৌবা মচিঙ্গাক অমদি ঈশিং হাপ্পীগনি। মকোন মনুংদগী শিৎতোক শেংদোক্লবা অমোৎ অকায় পূম্নমক অমদি অকোয়বদা লৈরিবা ফত্ত হৌদি খুদিংমক মৈ থাদোকপীগনি। করিগুম্বা মকোন্দু লৈবাক ওইরগদি হপ্তা খুদিংগী মরোন অমা লৌথোক্লগা অমুক অনৌবা মরোল অমা হাপ্পীদুনা থম্বীগনি। অতোপ্পা অমনা করিগুম্বা মকোনগী লৈমায়দু উ/ৱানা নৎত্রগা অষ্টর চনবা ওইরগদি নুমিৎ খুদিংগী ঈশিংনা চামথোকপীগনি।

খ) দ্রেনেজ নিংথিনা থম্বীবা ঃ মকোন শাবা মতমদা নিংথিনা নালা চন্দুনা নলালোমদা স্লোপ নাইনা থম্বীদুনা মথি ময়ুং পূম্নমক তাহন্দুনা মপান লোমদা নিংথিনা পুথোকপীগনি। পুথোরক্লিবা মথি ময়ুং অমদি মচিঙ্গাক অরেম্বা পূম্নমক নোংমদা অনীরক মকোন্দগী শেংদোক্তুনা মপানলোমদা পুথোক্তুনা কোম অমা তৌদুনা থাদবীগনি। কোমশিংদু হয়িং মচা কোক্তনবা কুপশিন্দুনা থম্বীগনি।

গ) মকোন্দা মৈ থানবীবা ঃ মকোন মনুংদা নিংথিনা মৈশা ফংহন্নবা হোৎনবীগনি। মকোনদা নুংশা মঙাল নিংথিনা ফংহল্লগদি লায়না থোরকপা য়াবা মহিক ময়াম অমা নুংশা মঙালনা হাৎপা ঙমহল্লি অমদি মকোনদু লৈনিল কাবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। নুমিদাংগী মতমদসু শা-ষণ পূম্নমক নিংথিনা লৈনবা মৈ থানবীগনি।

ঘ) নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবা ঃ মকোন্দা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না লৈহন্নবা ভেন্টিলেসন নিংথিনা থম্বীগনি। নমথিবা মনম পূম্নমক অশেংবা নুংশিৎনা হুমদোকখিদুনা লায়না শন্দোরকপগী চাং হন্থহল্লি। য়েন মকোন শাবা মতমদসু লৈমায়দগী ফুট ১ গী চাংদা মেনবীরবা তুংদা মথক্লা জালি হাপ্লগা শেম্বীরগদি য়েন্থিদা এমোনিয়াগী চাংদা ৱাংবনা নুংশিৎতগী হেন্না লুম্বগা মকোন কা হেন্না ফুনখ্রগদি এমোনিয়াগী গ্যাসসি পাইথোকপা ঙমদে। মসিনা মকোন মনুংদা লৈরিবা য়েনশিংদা মমিৎতগী মপি তারকপা, লোক লৈবগী মওংদা ময়া কাথোক্লগা মখোন থোক্লা লোক খুবগী মওং উৎপা উগনি। অসিগুম্বা মতমদুদা নুংশিৎ মরাং কায়না ফংহল্লগদি মনম পূম্নমক কোকপা ঙমহল্লি।

ঙ) অনাবা অমগা অমগা লৌনহন্দবাঃ

অনাবা লৌনহন্দনবা ঐখোয়না দিসইনফেক্টটেন ময়াম অমা শীজিন্নবা য়াই। মসিনা লায়না শন্দোরকপা য়াবা বেক্টরিয়া অমদি পেরাসাইট ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি।

দিসইনফেক্টটেন মখল অহুম থোকপা য়াই ঃ

(১) নেচরেল ঃ নেচরেল দিসইনফেক্টটেন হায়রগদি নুমিৎকী মৈশানি। মসি খ্বাইদগী শক্তি লৈবা অমনি। মসিদা ইফিসিএন্সি ওইহল্লিবসিনা নুমিৎতা য়াওরিবা অলত্রা ভাইওলেট ৱেবলেঙথ ২৪০০-২৮০০°এ য়াওবগীনি।

(২) ফিজিকেল ঃ দিসইনফেক্টসন তৌবদা মনিলসিসু খ্বাইদগী ফবা অমনি। মনিলসিসু অচোৎপা ওইরগদি খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মসিদসু নত্তনা নুংশিৎ অশাবা, ঈশিং অশাবা, মৈ অমদি মনিলসিসু দিসইনফেক্টটেন ওইনা শীজিন্নবা য়াই। নুংশিৎ অশাবসিসু দিসইনফেক্টটেন ওইনা শীজিন্নবসি য়াম্না কান্নে অদুবু মমল য়াম্না ৱাংই। শা-ষণ লোয়বদা শীজিন্নরিবা পাত্র খুদিংমক ঈশিং অশাবদা/অশৌবদা মিনিট ৫ লুপ্লগা থম্বদা মহিক ময়াম অমা শি। মনিল দিসইনফেক্টটেন ওইনা শীজিন্নবসিসু মমল য়াম্না ৱাংই। দিসইনফেক্টসন তৌবদা মৈ ওইনা শীজিন্নবসিসু মফমদুদা লৈরম্লিবা বেক্টরিয়া অমদি স্পোর ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি। মসিগীদমক লায়না চেন্দুনা শিখ্রবা শা-ষণ মৈ থাদোপসিনা খ্বাইদগী ফবা দিসইনফেক্টটেননি।

(৩) কেমিকেল দিসইনফেক্টটেন ঃ দিসইনফেক্টসন তৌবদা কেমিকেলশিং খুদম ওইনা হায়রবদা এসিদ, অলকালি, পোটাসিয়ম পরমেগনেট, হায়দ্রোজেন পেরাওক্সাইদ, অলকোহোল, ফিনাইল অসিনচিংবা ময়াম অসিনা মহিক্তা য়াওরিবা প্রোটিনগা রিএক্ট তৌরগা মপাঙ্গল হন্থহল্লি।

মহিক হাৎনবগীদমক মখা পোল্লিবসি ঃ

- শীজিন্নগদৌরিবা দিসইনফেক্টটেনগী কন্সেন্ত্রেসন
- কেমিকেল শীজিন্নরগা মতম কয়া অমুক থমগদবা
- শীজিন্নবগী মওং
- কেমিকেল সোলুসন শেল্লগা শীজিন্নবগী মতম
- কেমিকেল শীজিন্নদ্রিঙৈদা নিংথিনা মকোন্দু চামথোকহৌদ্রগদি কান্নবা ফংদে।

(৪) গ্যাসিয়স ঃ মসিদা ঐখোয়না ফোর্মেলডিহাইদ শীজিন্নরগদি মখল খুদিংগী ভেক্টরিয়া অমদি মাগী স্পোর ময়াম অমা হাৎপা ঙম্মী। পোটাসিয়ম পরমেনগনেট অমদি ফোরমলিনসি ২.৩ গী চাংদা শীজিন্নদুনা মকোন্দা কাপথোক্তুনা মহীক চঙহন্দবা ঙমহল্লি। করিগুম্বদা ঐখোয়না ফোরমেলিনগী মনিলশিং শীজিন্নবা তারগদি কা মনুংদা কাপ্লবা তুংদা পুং ২২ থোঙ লোনশিল্লগা থম্বীগনি। মসিদা অকনবা ভেক্টরিয়াগী স্পোর খুদিংমক শিবা ঙমহল্লি। মকোন শেংদোকপদা সোদিয়ম কার্বোনেট (ৱাশিং সোদা) শীজিন্নবা য়াই। মসি চাদা ১ হাপ্লগা শীজিন্নরগদি ভেক্টরিয়া ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি। লৈমায় মোৎপা/স্পোর হাৎনবগীদমক্তা চাদা ২ অমদি চাদা ৩ শীজিন্নবা য়াই। মসি শীজিন্নগদৌরিবা মীদুনা অনোক অমদি মখূৎকী গ্লোব উপ্পনা হেন্না ফৈ। হায়রিবা ৱাশিং সোদাসি মার্কেটতা ইরায় লায়না ফংবতা নত্তনা হু চেলহন্দনা ঈশিংদা লায়না তুমহল্লি। মহীক ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি।

মকোন শেংদোকপসিসু মখল অনী থোক্লা শেংদোকপা য়াই ঃ

লায়না লাক্ত্রিঙৈদা শেংদোকপা অমা ঃ- লায়না লাক্ত্রিঙৈদা শেংদোকপা তারগদি মকোন মনুংদা লৈরিবা পাত্র খুদিং লৌথোক্লগা মপান্দা থম্বীগনি। পাত্র খুদিংমক দিসইনফেক্টটেন্না লুপ্লগা মতম খরা হন্থবা তুংদা ঈশিংদা চামথোকপীগনি। মকোন মনুংদুদসু ঈশিংনা হান্না চামথোক্লবা তুংদা দিসইনফেক্টটেন হাপ্লগা শেংদোক্লবা তুংদা মতম খরা লৈরগা ঈশিং অচম্বনা অমুক চামথোকপীগনি।

করিগুম্বা লায়না মায়োক্নখিবা তারগদি মকোনদুদা লৈরিবা চরু/ৱাই অমোৎ-অকায়নচিংবা লেমহৌবা মচিঙ্গাক খুদিংমক মৈ থাদোকপা নৎত্রগা ফুম্বীয়ু। ফক্লাং অমদি লৈমায়সু ৱাশিং শোদা শীজিন্নদুনা শেংদোকপীয়ু। অনৌবা চরু/ৱাই হাপত্রিঙৈদা পোলিথিন শিদ অপাকপা অমা থাবীদুনা অনৌবা চরু/ৱাইশিংদু হাপ্পীগনি। মকোন মমাঙদা খোঙউপ উপ্লগা চৎনবা দিসইনফেক্টটেন য়াওরবা মহীদু মকোনগী চঙফমদা থম্বীদুনা চঙবা মতমদা নেৎলগা চঙলগদি মহিক চঙলকপগী চাং হন্থহল্লি।

অসুম্না লায়না তীলনা চঙহন্দনা মকোন নিংথিনা লূ নান্না থম্লগদি লায়না লাকপগী চাং য়াম্না নেম্বদা নত্তনা হেন্না শাহৌ ফদুনা অমদি হেন্না পোখোক পুথোক্তুনা শেন্দোং লৈবা ঙমহল্লি। ●

লৈতেংগী ওইবা ঙা য়োকপা অমদি মসিগী কান্নবা খরা

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

হৌজিক্কী মতমদা লৈতেংগী ওইবা ঙা য়োকপা হায়বসি ময়াম্না য়াম্না পান্নবা হোবি অমা ওইরক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিংগী লল্লোনবদা অচৌবা শেনফম কয়া ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা কয়া লৈরক্লি। মালেমগী ওইনা লৈতেংগী ঙা লৈবা য়োনবদা চহী অমদা যু এস দোলর বিলিয়ন মঙাগী মথক্তা কান্নবা ফংলি অমদি চহী অমদা চাদা নিপান হেনগৎলক্তুনা লৈতেংগী ঙাগী মরমদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎনবগী খুদোংচাবা পীরি। লৈতেংগী ঙাবু অতোপ্পা লৈবাক্তা য়োন্দুনা খ্বাইদগী হেন্না পৈশা তাল্লিবা লৈবাক অসি সিঙ্গাপোরনা ওইরি। মথংদনা হোংকোং, মলেসিয়া, থাইলেন্দ, ফিলিপাইন, টাইৱান, ইন্দোনেসিয়া অমসুং ইন্দিয়ানা মথংশিংনা ওইরি। লৈতেংগী ঙাবু অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী খ্বাইদগী য়াম্না পুশিল্লিবা লৈবাক্লা যু এস এনা ওইরি। মথংদা য়ুরোপ অমদি জপান্না মথংশিংনা ওইরি। হৌজিক হৌজিক হীরম অসিদা কন্না খুমাঙ চাওশিল্লক্লিবা লৈবাক্লা চাইনা অমসুং সাউথ অফ্রিকানি। যু এস এদা চহী অমদা যু এস দোলর মিলিয়ন ৫০০ রোমগী লৈতেংগী ঙা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী পুশিল্লি।

লৈতেংগী ঙা লল্লোন ইতিক তৌবদা ইন্দিয়াগী ওইনা লুপা লাক্ষ ১৫৮.২৩ চহী অমগী ওইনা কান্নবা ফংলি। হায়রিবা অসি মালেমগী ওইনা চাদা ০.০০৪ খক্তমকনি অমদি হায়রিবা অসিগী মরুওইবা শরুক্তি পাৎ তুরেলনচিংবা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈবা ঈশিংদগী ফাদুনা য়োনবনি। মপান লৈবাকশিংদা থাদোকখিবতা নত্তনা ঐখোয়গী লৈবাক অসিদসু লৈতেংগী ঙাশিং অসি লৈবা-য়োনবা কয়া তৌনবগী খুদোংচাবা কয়াসু লৈরি। তৌইগুম্বসুং মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিংনা অচৌবা শরুক ওইরি। হায়রিবা হীরম অসিদা ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী মনুংদা লৈবা য়োনবা তৌবদা চহী অমদা লুপা ক্রোর ১০ হেন্না কান্নবা ফংলি অমদি চহী অমদা চাদা ২০ হেনগৎলক্লি। হায়রিবা হীরম অসিদা অসুক চাউবা শেনফম তানবা য়াই হায়বসি খঙবা মীওইগী মশীং য়াম্না নেম্মী অমদি হৌজিক চথুরিবা লৈবা-য়োনবগী থবক অসিসু বৈগ্যানিক ওইবা থৌওংদা পায়খৎপা নত্তে। তৌইগুম্বসুং লৈতেংগী ওইবা ঙা য়োকপা, মচা পুথোকপা অমদি লৈবা-য়োনবগী থবকসি অরুবা থৌওংদি নত্তে। হায়রিবা থৌওংশিং অসি পায়খৎপনা মপান লৈবাক্তা থাদোকখিবা নৎত্রগা য়োনখিবদা নত্তনা মীওই কয়াবু থবক পীবসু ঙমগনি।

ঐখোয়গী লৈবাক্তগী মপান লমদা থাদোকখ্রিবা ঙাশিংগী চাদা ৯৫ দি মহৌশানা লৈজরম্বা ঈশিংদগী ফাবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা মহৌশাদগী লৈরক্লবা ঙাশিংবু ফাদুনা য়োনবগী থৌওংসি মরুওইনা অৱাং নোংপোক ভারতকী মফমশিংদগী ওইনা তৌই মথংদা খা ভারতকী মফমশিংদগী ওইনা তৌই। হায়রিবা মফম অনী অসি ঙাগী বাইওদাইবরসিটিগীদমক্তদি হোট স্পোটনি। অসুম্না মহৌশাদগী লৈরক্লবা ফজবা অমদি অতাঙবা ঙাশিং অসি ফারগা মপান লৈবাক্তা অসুম অসুম য়োন্থোকখ্রবদি ঙাশিং অসি মুৎখিগনি। মরম অদুনা হায়রিবা ঙাশিং অসি য়োক্তুনা মচা পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরি।

লৈতেংগী ঙাশিং অসি য়োক্লবগীদমক্তা এক্কারিয়ম শেম্বা হায়বসি অরুবা থবক অমা নত্তে। কনাগুম্বা মীওই অমনা ইরায় লায়না শেম্বা য়াই হায়বদি সিলিকোন সিলেন্ট (ট্যুব ওফ সিলিকোন রবর) অমসুং মসিবু কাপনবা গন অমগা লৈবিরগা ইরায় লায়না শেম্বা য়াই। হায়রিবা পোৎশকশিং অসি কৈথেলদা ইরায় লায়না ফংবা পোৎশক ঙাক্তনি। করিগুম্বা রেক্টেঙ্গল হায়বদি চুথেক নাইবা এক্কারিয়ম শেম্বীগে হায়রবদি অকক্লবা গ্লাস মঙা লৈবীবা দরকার ওই। মনিংথংবা গ্লাস অদু শকয়েং মিংশেল ওইহনবসু য়াই। তৌইগুম্বসুং পাম্বী অমদি নূংনচিংবা য়েকপা, নপ্পনা হেন্না পাম্নে।

মথক্তা পনখ্রিবা সিলিকোন রবর ট্যুব অমনা এক্কারিয়ম মঙা তরুক শেম্বা কোন্নে। এক্কারিয়মগী মওং মতৌ অমদি চাউবগী চাংশি অমা হেক্তা ওইবা য়াই। তৌইগুম্বসুং মখাদা পীরিবা চাউবগী চাং অমদি রেক্টেঙ্গল হায়বদি চিথেক নাইবা এক্কারিয়ম অসিনা খুদোংচাবা হেল্লি। চিথেক নাইবা এক্কারিয়ম শেম্বদা চঙগদবা গ্লাস অমদি মখোয়গী চাউবা অমদি থাবগী চাং অদু মখাদা পীরি।

এক্কারিয়মগী চাউবগী চাং	গ্লাসকী চাউবগী চাং (সীএম)	গ্লাসকী থাবগী চাং (এম এম)
১) ৬০ x ৩০ x ৩০	৬০ x ৩০ = মশীং ৩ ৩০ x ২৯ = মশীং ২	৪
২) ৭৫ x ৩০ x ৩০	৭৫ x ৩০ = মশীং ৩ ৩০ x ২৯ = মশীং ২	৫
৩) ৯০ x ৪৫ x ৪৫	৯০ x ৪৫ = মশীং ৩ ৪৫ x ৪৩.৫ = মশীং ২	৬
৪) ১২০ x ৪৫ x ৪৫	১২০ x ৪৫ = মশীং ৩ ৪৫ x ৪৩ = মশীং ২	৮-১০

এক্কারিয়ম অমা শেমগৎপদা খঙজিনগদবা খরা মখাদা থমজরি।

১) এক্কারিয়ম পানখৎত্রিঙৈদা কদাইদা থমগদগে হায়বদু খনবিগদবনি। হায়বদি নুংশা মঙাল ফংদবা মফম অমদি কনাগুম্বা অমনা ফম্বা মতমদা মমিৎকী মপাগা চানহনগদবনি। হায়বদি চাউরাক্লা ফিট অহুমলোম লৈমাইদগী ৱাংহনগদবনি। নুংশা মঙাল ফংবা মফমদা থল্লবদি ঈশং কারকপগী খুদোংচাদবা থেংনগনি। এক্কারিয়মগী মখাদা ইঞ্চি অমরোম থাবা থরমোকোল হায়বদি চোংগাং থাবিগদবনি।

২) এক্কারিয়মগী মনুং থংবা গ্লাস মোৎলবসু শাপোন কৈদৌঙৈদা শীজিন্নরোইদবনি। ঈশিং লুম্বু লুম্বু শাবা শীজিন্নদুনা ফিগুম্বা অমনা তকথোকপীগদবনি।

৩) এক্কারিয়ম মনুংদা হাপ্পবা নূং মচাশিং অদু চাম্বদসু শাপোন কৈদৌঙৈদা শীজিন্নরোইদবনি। ঈশিংনা ইচম্না শেংনা চান্বীগদবনি। হান্ননা শীজিন্নরুরবা নূংশিংদি চামথোক্লবা মতুংদা নুংশাদা ফজনা কংহল্লগা শীজিন্নবীগদবনি।

৪) য়ারিবমখৈ এক্কারিয়মগী মখুম খুমদুনা থম্বীগদবনি।

৫) এক্কারিয়ম অমদা থম্বীগদবা ঙা মশীং অদু মখাগী ফোর্মুলা অসি শীজিন্নদুনা হোৎপীগদবনি।

$$\frac{\text{এক্কারিয়মগী অশাংবা (সীএম) অপাকপা x (সীএম)}}{\text{২০}}$$

মসিদগী ফংলকপা মশীং অদুদা থাদগদবা ঙা অদুগী অশাংবনা য়েন্থোক্লগা ফংলকপা মশীং অদু এক্কারিয়ম অদুদা থাদগদবা ঙা মশীংনি। খুদম ওইনা হায়রবদা মথক্কী ফোর্মুলা অসিদা ফংলকপা মশীং অদু ১০০ ওইরবা অদুগা থাদগদবা ঙা অদুনা সেন্টিমিটর ৫ শাংবা ওইরবদি এক্কারিয়ম অদুদা ঙা মশীং ২০ থাদবা য়াগনি।

৬) ঙাগী মচিঙ্গাক্তি লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসি য়োনবা দুকানশিংদা ফংগনি। মচিঙ্গাক পীজবা মতমদা কৈদৌঙৈদসু হেন্না পীজরোইদবনি হায়বদি য়োক্লিবা ঙাগী অপূনবা অরুম্বগী চাদা অমখক্তমক নোংমদা পীজগদবনি।

৭) নিংথমথাগী মতমদা ঈশিংগী অইং অশা চাং অমদা থম্নবগীদমক থরমোঅষ্টেট শীজিন্নবিগদবনি।

৮) লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসি য়োকত্রিঙৈগী মমাঙদা করম্বা মখলগী ঙা য়োক্কদৌরিবনো, মচা পুথোক্লবগীদমক য়োক্কদৌরিব্রা, ইমুংদা থম্বা এক্কারিয়মদা য়োক্কদৌরিব্রা নৎত্রগা য়ূমগী মপান্দা য়োক্কদৌরিব্রা হায়বনচিংবা ফজনা খনবীগদবনি।

লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসি য়োকপনা মীওই কয়াগী শেন্দান লন্বী ওইবদা নত্তনা থবক ফংদবা মীওই কয়া অমসু থবক পীবা ঙমগনি। মসিগীসু মথক্তা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা অতাঙবা ঙাশিং অসি ফাদুনা মচা পুথোকপগী থবক পায়খৎলবদি মাঙখিগদৌরবা ঙাশিংবু কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। মরমশিং অসি লৈবনা চাননবা ঙা খক্তমক য়োকপা নত্তনা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিংবু য়োক্তুনা অমদি মচা পুথোক্তুনা শেন্দাল লন্বী ওইবদা নত্তনা মাঙখিগদৌরবা ঙাশিংবু কনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি।

মসিদসু নত্তনা এক্কারিয়ম থম্বা মতমদা মীওই কয়াগী পোত্থানবগী তাঙ্গা পীরি। এক্কারিয়ম মনুংদা ঙানা শান্নজবা উবদা মীওই কয়াগী লাংতক্লবা পূক্নিংবু ঈংথহনবদা মতেং পাংবদা নত্তনা ঙাশিং অসি থম্বা মতমদসু হুই, হৌদোং অমদি অতোপ্পা শাগুম্না শেন্নবগী মথৌ তাদে। খুদম ওইনা হায়রবদা চয়োল অমা নৎত্রগা থাখায় অমা য়ূম থাদোক্তুনা মপান্দা চৎকদবা ওইরবসু মখোয়গীদমক্তা থোইনা মথা শানীংঙাই ওইদে। মচিঙ্গাক পীজদ্রবসু থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে। করিগুম্বা মচিঙ্গাক থাবীনীংলবসু নুমিৎ তরামঙানিরোমগী মচিঙ্গাক অমুক্তদা থাবিরম্বগী খুদোংচাবসু লৈ। ●

ষ্টেটকী পাউ

মরিপুরগী হায়র এদ্যুকেসনগী মখাদা লৈরিবা কোলেজশিং কাং-খোং চাইরে : কে এস এ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস):

মণিপুরগী হায়র এদ্যুকেসনগী মখাদা লৈবা কোলেজশিং কাং-খোং চাইরে। হায়র এদ্যুকেসনগী মখাদা মহৈরোয়শিংদা পীরিবা এদ্যুকেসন অসি হেন্না শানবা মীৎয়েং অমসুং ফ্যুচর প্রোস্পেক্ট লৈবা এদ্যুকেসন অমা ওইনবা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি, ২০২০বু অথুবদা ষ্টেট এদ্যুকেসনদা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা কন্মিটি অমা শেম্বা মথৌ তারে হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস' এসোসিএসন (কে এস এ)গী ঐচ আর দি সেক্রেটরি রোমেন সোইবমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরদা লৈবা কোলেজশিংদা যু জি সীনা পীবা গাইদলাইনশিং মপূং ফানা ইনলিব্রা/ইন্দ্রিব্রা হায়বসি য়েংশিনবা মথৌ তারে। লোয়ননা কোজেল ফেকল্টি (ওজাশিং অমসুং প্রিন্সিপাল)শিংনা যু জি সীনা পীরিবা গাইদলাইনশিংগী মখাদা টিচিং অৱরস, রিছর্স এন্দ একাদেমিক কন্ট্রিব্যুসন অমদি প্রোফেসনেল দিভলপমেন্ট, কো-করিক্যুলর এন্দ এক্সটেন্সন এক্টিভিটিজ কয়ানচিংবা অসি চত্থরিব্রা নৎত্রগা চত্থদব্রা হায়বদুসু খঙদোকপা মথৌ তারে। যু জি সীগী গাইদলাইন অমদি আর আরগী ৱাংমদা লৈবা কোলেজশিংসু খণ্ডদোক্তুনা কেটগোরি শেমদুনা ষ্টেটকী ওইবা পোলিসি য়াৎপা মথৌ তারে। মরমদি মণিপুরদা লৈবা কোলেজশিংদা এন এ এ সী এক্রিদিটেসন তৌবদা চঙবা পেরামিটরশিং য়েংশিন্দবনা গ্রেদ নেম্বগী য়াম চাওবা মরম অমা ওইরে অদুনা যু জি সীনা থাদরক্কদবা ফন্দ কয়া ষ্টেটকী ওইনা চাওনা মাঙজরে হায়রি।

কোলেজশিংদা লৈগদবা ষ্টুদেন্ট-টিচর রেসিও অমদি ওজা ৱাৎপনা মরম ওইরগা কোলেজশিংগী এন এ এ সী এক্রিদিটেসনদা নেম্না লাকপগী মরম ওইরে। মরম অদুনা গভর্ণমেন্টনা অথুবদা ৱাৎলিবা ওজা অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসি পীগদবনি, কোলেজ কয়াগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ হাপ্তুনা লৈরিবা অসি মহৈরোয়শিংগী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। প্রিন্সিপাল ইন-চার্জনা রিটায়র্দ তৌদ্রিফাও প্রিন্সিপাল ওইনা পুবা হায়বসি করপসন তৌবগী মমি তাই অমসুং কোলেজশিংগী থবক থৌরমদা একাউন্টেবল ওইবা ৱাৎপগী য়াম চাওবা মরম অমনি। যু জি সীনা পীবা কোলেজশিংগী রেগ্যুলর প্রিন্সিপালশিং অসি চহী ৫গী ওইনা পুগদবনি। অদুগা মতম লোইরবা মতুংদা অমুক্তা প্রিন্সিপাল ওইগে হায়রবদি ইন্টরভিয়ু য়াওরগা ওইগদবনি। অদুবু হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা কোলেজশিং অসিগী ইন-চার্জ প্রিন্সিপালনা লাইফটাইম ওইনা রিটায়র্দ ওইদ্রিফাও ইন-চার্জ প্রিন্সিপাল ওইহনবসি খূদক্তা লেপ্তুনা পোলিসি অমা শেমদুনা রোটেসন ৱাইজ পুহনগদবনি অমদি মণিপুরদা লৈরিবা কোলেজশিং অসিগী রেগ্যুলর প্রিন্সিপালশিং অথুবদা হাপকদবনি হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, গভর্ণমেন্ট কোলেজ অমদি এইদেদ কোলেজশিংদা যু জি সীনা পীরিবা টিচর ক্বালিফিকেসনগী মতুং ইন্না ক্বালিফাই ওইদবা কয়া য়াওরিবসি গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা পোলিসি অমা শেমদুনা টাইম ফ্রেম অমা পীরগা যু জি সীনা পীরিবা আর আর অদু শুনবা হোৎনহনগদবনি অমদি পীরিবা টাইম ফ্রেম অদুগী মনুংদা যু জি সীনা পীরিবা গাইদলাইনশিং শুবা ঙমদবশিংগীসু অতোপ্পা পোলিসি অমা শেমগদবনি। লোয়ননা যু জি সীগী গাইদলাইনগী মখাদা লৈবা হায়র এদ্যুকেসনদা লৈরিবা ওজাশিংগী রাইটশিং হায়বদি ৭শুবা পেনচিংবসু গভর্ণমেন্টনা অথুবদা পীথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়রি।

হায়রিবা অশোয়বা, অৱাৎপা মরম কয়া অসিনা নেসনল ইন্সটিট্যুসনেল রেঙ্কিং ফ্রেমৱর্ক (এন আই আর এফ) মিনিষ্টি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীবা রেঙ্কিংদা মণিপুরগী লৈরিবা কোলেজশিং অমদি য়ুনিভর্সিটি অসি তোপ ২০০ লিষ্টতা য়াওরক্তবনি। মণিপুরদা পীরিবা একাদেমিক এক্টিভিটিজ অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা পীরিবা এক্টিভিটিজগা চাংদম্নবদা য়াম চাওনা ৱাৎপগী মমি তারে। মরম অদুনা এদ্যুকেসনবু মপূং ফানবা চঙবা পেরামিটরশিং হায়বদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর, একাদেমিক এক্টিভিটিজ, রিছর্স অমদি ফেকল্টিনচিংবা অসি য়েংশিন্দুনা হোংলক্লিবা এদ্যুকেসন অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লম-তু শেংবগী থবক তৌরিবা নহাশিংদা পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস):

খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা উয়াল ৱাংবল খুঙ্গংগী উয়াল অৱাং লৈকাই, উয়াল খুনৌ, উয়াল অৱাং লৈকাই পুখ্রি অচৌবা মপাল, ৱাংবল হৈরুথোংগী অহল কয়া য়াওনা নহারোলশিংনা লম-তু নান্না থম্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিংবু বি জে পিগী ৱর্কর খুন্দ্রাকপম মেঞ্জোর মঙাংনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে হায়রি।

লম-তু শেংবগী থৌরম অদুবু সোসল ৱর্কর মেঞ্জোর মঙাংনা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা অঙম্বা মতেংশিংসু পাংখি। কোভিদ-১৯দগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরশিংসু য়েন্থোকখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মহাক্লা হায়খি, খুঙ্গং অসিগী নহারোলশিংনা ইশাগী কৈরোই-লৈকাইবু লু-নান্না থম্নবগী পান্দমদা অসিগুম্বা লম-তু শেংবগী থবক পাঙথোরকপগী ৱাখল্লোন অসি থাগৎনিংঙাইনি। অসিগুম্বা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংনা মফম-মফম খুদিংদা তৌনরক্লবদি মণিপুর পূম্বা তরুতনানবা লমদম অমা ওইরক্কনি। তমথীরবা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিবু থেংনবদা ঐখোয় খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা চেকশিনমিন্নবা ওইনা লৈঙাক্লা পীরিবা চৎনকাঙলোনশিংসু ঙাক্লা চৎমিন্নবা মথৌ তাই হায়খি।

ভলন্টিয়রশিংদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা এস ও পি ঙাক্তুনা লল্লাই এ সীগী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা খুলশিংদা কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা থবক তৌরিবা ভলন্টিয়রশিংদা বি জে পি ষ্টেট কাউন্সিলগী মেম্বর অমদি সোসল ৱর্কর কে ঐচ ইবোমচানা তেংবাংখ্রে হায়রি।

হৌখিবা থা কয়াদগী পাঙথোরকখিবা তেংবাং পীবগী মখা তারকপা ওইনা ঙসি কাংহুচিংজিন অমদি নোংপোক হৈরোক্কী ভলন্টিয়রশিংদা হেন্দ সেনিটাইজর অমদি মাস্কনচিংবা তেংবাং পীখিবনি। তেংবাং পোৎলম পীরকখিবা অদুদা কাংহুচিংজিন য়ুঠ ক্লব অমদি নোংপোক হৈরোক খুলগী ভলন্টিয়রশিংগী মায়কৈদগী সোসল ৱর্কর কে ঐচ ইবোমচাবু থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

লাইলোম/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি

Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোম্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645
HL-B/6295/27 july to 25 Aug.

মায়কৈসগী / পাইলসকী ওজা
ABDUL HAK পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

পাইলসকী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা ঐগী হকচাং মতম শাংনা অৱাবা খাঙদুনা লাকখি। খোঙ হাম্বদা য়াম্না লিকপা, কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বদা চেখাইরগা শাবা, থুপ্পা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, হকচাং শোন্থবা, পাঙ্গল ৱাৎলকপা, থবাক ফুনগৎলকপা, পূক গ্যাষ্ট্রিক কাদুনা চাবা-থকপা য়াদবা, অমাংথোঙ মনুং অমসুং মপান্দা পোমদুনা য়াম্না নাবা, চিকপা-শাবা, খোঙয়া শাবা, খ্বাঙ নাবা, শৌজগী মপান্দা মঙ্গন মরূ মানবশিং লৈরকপা পূম্নমক অসি ঙসিদি অল্লাহগী থৌজালদগী ওজাগা থেংনজবদগী অনাবশিং অসি মপূং ফানা ফজরে। ওজাবু অল্লাহনা মীয়ামগী সেবা পূন্সি শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না দুৱা তৌজরি।

ওজাগী লায়েংফদি :-
1. Wangoi SBI Awang, near oil pump (6 am to 5 pm)
Contact No. : 8794429681, 8014623756

থাগৎচরিবা : **Ch. Habibur Rahaman**
Lilong Dam
HL-P/7388/17

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।